# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 27-01-2026)

**বিটিং (এল)ঃ** ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন, মনিপুরদা ঙসি বিটিং দা রিত্রিত পাঙথোক্তুনা লোয়শিনখ্রে।

ইম্ফালগী অহানবা মনিপুর রাইফলস পেরেড গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা ঙরাং পাঙথোকখিবা গনতন্ত্র দিবসকী তোঙান তোঙানবা চাংদমবশিংদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেটরি-পুনিত কুমার গোয়ল, এম.এল.এশিং, সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা পাঙথোকখিবা ফোল্ক দান্স কম্পিটিসনদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা রাজ্যপালনা মনা খুৎশিন্নখি। ঙসিগী ফোল্ক দান্স কম্পিটিসন অদুদা জগোই কাংলুপ ১৪ না শরুক য়াখি। বিষ্ণুপুর জিলাগী ইবুধৌ লোয়ালাকপা মনিপুরি দান্স গ্রুপনা অহানবা, জিরিবাম জিলাগী ঈচেল জগোই লুপনা অনিশুবা অমসুং কামজোং জিলাগী চকমা আর্টস এন্দ কলচরেল একাডমীনা অহুমশুবা তাখি। ফোল্ক দান্স কম্পিটিসনদা শরুক য়াখিবশিংসু সার্টিফিকেট অমদি মনা খুৎশিন্নখি। বিতিঠ দা রিত্রিটতা ঙরাং শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা বেন্দ পার্টিনা নীংথিজরবা বেন্দগী দিসপ্লে উৎখি।

**বিরেন (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী কোইরেঙ্গৈ ইয়ার ফিল্ড, মনিপুর মীয়ামদা খুৎশিনমীন্নবা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ অমসুং মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-কোইরেঙ্গৈ ইয়ার ফিল্ড অসি মনিপুর

মীয়ামগী ওইনদি শুপগী লম অমখক নত্তে, মসিদি অনিশুবা মালেমগী লনজাউগী ইয়ার ফিল্ড ওইদুনা মালেমগী ইতিহাসকী শাক্ষিনি। ইয়ার ফিল্ড অসিনা বেট্টল ওফ ইম্ফালদা চাউরবা থৌদাং লৌখি। মসিনা মনিপুর খক্তা নত্তনা লৈবাক পুম্বগী ওইনা কৎথোকপা অমসুং লৈবাক অসি শেমগৎপগী অচৌবা নীংশিং মমি অমা ওইরি।

কোইরেঙ্গৈ ইয়ার ফিল্ড অসি হৌজিক হৌজিক সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা লৈরি অমদি ইয়ার ফিল্ড অসি মীয়াম কুংনা লৈবা মফম অমদা লৈ। মহাকা হায়-মসিদা লৈরিবা সেক্যুরিতি ফোর্স অসি অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোকহন্দুনা ঐতিহাসিক ওইরবা মফম অসি তুংগী মীরোলগীদমক ঙাক শেন্দুনা থম্বা য়ামমক তঙাইফদে।

**টোঙ্ক (এল)ঃ** কুকি ইনপি মনিপুর অমসুং য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগী অপুনবা মীফম অমা ঙসি কাংপোকপীদা পাঙথোকখ্রে।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমী-বাগুনি সিংশিৎনা হায়-মীফম অদুনা ঙরাং কে.সোংলুং পার্ট টু ভিলেজতা য়ুম কয়া মৈ থাদোক্লম্বগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকখি। লুপ অনি অসিনা মীয়াম অমদি মরী লৈনবশিং শান্তি লৈনা অমদি মখল খুদিংমক্কী হিংশা থাদোকবা আপিল তৌরি। জাতি কাংলুপ অনিগী মরক্তা নুংঙাইনদবা থোকপা য়াবা ৱাফমশিং সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎতনবা কুকি ইনপি মনিপুর অমসুং য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মীফম অদুনা ময়ুম মকৈ মাঙ তাক্লবা ইমুংশিংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা খুদক্কী ওইবা তেংবাং পীনবা ৱারেপনখি। মীফম অদুগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট-এন.জি. লোরহোনা অসুমা হায়-

**ইগজাম (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা

ক্লাস টুয়েল্ব পরিক্ষাগী সেন্টরশিং লাউথোক্লে। পুন্না সেন্টর ১১৭ তা পরিক্ষা অসি থাগনি।

অকুপ্পা মরোল কাউন্সিলগী ৱেব সাইট-ডব্লিয়ু. ডব্লিয়ু.ডব্লিয়ু.দোট কোসেম দোট এন.আই.সি. দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি। অমরোমদা, ক্লাস এলভেন অমসুং ক্লাস টুয়েল্বকী পরিক্ষাগীদমক সুপরভাইজিং ওফিসার, ওফিসার ইন-চার্জ অমসুং ফ্লায়িং স্কাট টিম মেম্বরশিংগী ওইবা মীফম অমা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পাঙথোক্লগনি হায়না কাউন্সিলগী সেক্রেটরি-কে. আশি কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**নোনে (এল)ঃ** নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোস অৱাসিয়া বিদ্যালয়াদা একাডমীক সেসন ২০২৬-২৭ কী ওইনা ক্লাস সিক্সতা মিং চন্নবগীদমক কাউন্সিল্লিং ঙসি জোনেল এদুকেসন ওফিস-লোংমাই পার্টি থি-নোনে জিলাদা পাঙথোকখ্রে।

কাউন্সিল্লিং অসিগীদমক মহেরোই ৭৪ রোমনা রেজিস্তার তৌখি।

**ইমো (এল)ঃ** মপান লমশিংদা লৈবা মনিপুরিশিংনা রাজ্য অসিদা চংল্লকপদা প্রোটেক্তেদ এরিয়াপ পার্মিট (পি.এ.পি) লৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরিবা অদুগী মতাংদা আর.কে. ইমো সিংহ-এম.এল.এনা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালাদা চেরোল অমা ইদুনা হায়জখ্রে।

রাজ্যপালদা ইবা চেরোল অদুদা শ্রী ইমোনা হায়-মনিপুরগী মপানদা লৈরিবা মীওইশিং অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংনা রাজ্য অসিদা চংল্লকবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োকরি। মসিনা মরম ওইরগা পি.এ.পি. সিষ্টেমদা খরা হোংদোক হোংজিন তৌবীনবা মহাকা প্রস্তাব তৌখি। হৌজিক হৌজিক ওন লাইনগী খুথাংদা পীরিবা পি.এ.পি. সিষ্টেম অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা, পি.এ.পি. এপ্লিকেসনগী থবক থৌরমশিং অপিবা মতম অমগী মনুংদা লোয়শিনগদবনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিং য়াওরি।

**নুপী (এল)ঃ** লৈবাক অসিদা নুপীশিংবু ঙাকপী শেন্বীনবা লৈরিবা আইনশিং অমদি মখোয়গী হক হায়বসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়াম খঙমীন্নবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ন্যু চেক্কোনদা লৈবা দিনদাইলোং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং দিনদাইলোং ৱিমেন্স সোসাইতি-ন্যু চেক্কোননা পুন্না শিনবনি। থৌরম অদুদা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্সকী চেয়ারপার্সন-টি.ঐচ. তিনিংফম মোনশাং, কম্মিসনগী মেম্বর-এস.কে. সোফিয়া, কম্মিসনগী মেম্বর সেক্রেটরি-ডব্লিয়ু. ফজাতোন্বী দেবীনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা কম্মিসনগী চেয়ারপার্সননা নুপীশিংগী আইনগী ওইবা হক নীংথিনা খঙনবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়-রাজ্য শিনবা থুংবদা কম্মিসননা নুপীশিংগী য়াইফ থৌরাং অমসুং শক্তি পীনবা হোৎনদুনা লাক্লি। তংদু লৈতাবা অমসুং চাউখৎপা সমাজ অমা ওইনবা মীপুম খুদিংমকা অমত্তা ওইনা নুপীশিংগী হক শৌগৎপীনবা মহাকা আপিল তৌখি।

**নোনে (এল)ঃ** ৩৭ শুবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থকা মরী লৈননা মীয়ামবু লম্বীদা অশোয় অঙাম থোক্তনবগী মতাংদা হেন্না ভাব তাহন্নবা থৌরম অমা ঙসি নোনে জিলাগী লোংমাই বজারদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিস-নোনেনা শিনবা থৌরম অদুদা লম্বীদা অশোয় অঙাম থোক্তনবগীদমক মীয়ামবু ভাব তাহন্নবা ষ্ট্রিট প্লে উৎখি।

**উ (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলনা বেতি-বচাউ, বেতি পরাউ থৌরাংগী মখাদা উ চারাশিং থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলনা দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস

অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসারগা পুন্না শিনবা থৌরম অসিগী পান্দমদি-হোংলক্লিবা অইং আশাগী অওনবা অসি খরদং ওইরবসু কন্নবা অমদি মীয়ামদা মসিগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবনি। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মননুব্রাংনা লুচিংদুনা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসকী অকোইবদা উ চারাশিং অদু থাখি।

**বেম্মু (এল)ঃ** কেন্দ্রগী দোন্নর মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী মতেংগা লোয়ননা দি.এম. কলেজ ওফ সাইন্সকী জ্লোজি অমসুং রুরেল দিবলপমেন্ট এজেন্সিনা শিনদুনা নুমিৎ হুমনি চথগদবা শোইবুম শেন্বা অমসুং পেকেজিং তৌবগী মতাংদা রাজ্য অসিগী থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগী ওইবা ত্রেন্নিং অমা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী দি.এম. কলেজ ওফ সাইন্সকী সেন্ত্রেল হোলদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

ত্রেন্নিং অদুদা ওন্টরপ্রেন্যুয়র ওইনিংবা মীওইশিং অমদি কলেজ অসিগী মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** মহাত্মা গান্ধি নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গেরেন্টি এক্ট (এম.জি-নরেগা) বু হৌজিক পাল্লিবা সরকার অসিনা ভিক্সিত ভারত জি রাম জি হায়না মমিং ওন্নবা সংসদতা বিল পুথোক্তুনা হোৎনরকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ভারত পুম্বদা চংশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল জিলাগী হৈরোক পার্ট টু ময়াই লৈকাই লম্পাক্তা কংগ্রেসকী থৌমীশিংনা ব্রাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে।

এম.পি.সি.সিনা ঙরাং মনিপুরগী জিলা খুদিংমক্তা এম.জি-নরেগাগী এক্ট হোংবা য়ারোই। খুঙ্গংগী লাইরবা মীয়ামগী হক খঙগদবনি হায়না খোঙজং চংশিনখি।

**ফিল্ম (এল)ঃ** মনিপুরি ফিল্ম-‘বুং’ বি.এ.এফ.টি.এ. এৱার্ডকীদমক নোমিনেট

তৌরে। ফরহান অক্তারনা প্রদ্যুজ তৌবা অমসুং রিটেস সিদুৱানি এক্সেল ইন্টরটেনমেন্টকী ফিল্ম অসি বেষ্ট চিলদ্রেন অমসুং ফেমিলি ফিল্ম কেটেগোরিদা নোমিনেট তৌবনি। বুং অসি লক্সমী প্রিয়া দেবীগী অহানবা ফিচর ফিল্মনি।

**কাউ (এল)ঃ** সেন্ত্রেল এগ্রীকলচর য়ুনিভরসিতি (সি.এ.য়ু) ইম্ফাল লিংখৎখিবগী ৩৩ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি ইরোইশেম্বা ইম্ফালদা লৈবা মসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ভারত লান্মীগী রিটয়ার্দ লেফটনেন্ট জেনরেল-ডা: কোন্সম হিমালায়া সিংহ শরুক য়াখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী চিঞ্জাক ৱাৎতনবা হোৎনবদা লৌউ শিংউনা লৌরিবা মরুওইবা থৌদাং অমসুং অৱাং নোংপোক লমদমবু ৱাৎতা-পাদবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা লৌউ শিংউবনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা সি.এ.য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-ডা: অনুপম মিশ্রানা হায়-হৌখিবা চহি মঙা অসিদা য়ুনিভরসিতি অসি নেসনেল এগ্রীকলচরেল এদুকেসন এগ্রীদিটেসন বোর্ডনা চহি অসিগী মার্চ ২৭ ফাওবা এগ্রীদিটেদ তৌরে। য়ুনিভরসিতি অসিদা হৌজিক ওল ইন্দিয়া কো-ওর্দিনেটেদ রিছার্স প্রোজেক্ট ৪৯ পায়খৎলি।

**এগ্রী (এল)ঃ** রাজ্যগী এগ্রীকলচর বিভাগকী মখাদা একাডমীক সেসন ২০২৬-২৭ কী ওইনা তোঙান তোঙানবা কলেজ অমদি য়ুনিভরসিতিশিংদা বি.এস.সি. ওন্নরস এগ্রীকলচর অমসুং এলাইদ কোর্সতা মিং চননবগীদমক মহৈরোইশিন খনবদা কম্মন য়ুনিভরসিতি এন্ত্রাস টেষ্ট (য়ু.জি) ২০২৬ তা ফংল্লকপা মার্কতা য়েংলগা খনগনি হায়না রাজ্য সরকারগী জোইন্ট সেক্রেটরি এগ্রীকলচরগী চেরোল অমনা হায়রি। অকুপ্পা মরোল বিভাগ অসিদগী খঙবা য়াগনি।

**হেমো (এল)ঃ** মথং থাগী ১১ দগীনা ১৪ ফাওবা ন্যু দিল্লিগী প্রক্রিতি মৈদানদা লৈবা ভারত মন্দপম কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোক্কদবা চহিগী ওইবা ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স ওন ইভোলবিং লেন্দস্কেপ ওফ হাউজিং ফাইনান্স- ইনক্লুসিবিতি, ষ্টেবিলিতি এন্দ সসটেন্সনেবিলিতিদা মনিপুরদগী পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পানি লিমিটেদকী চেয়ারমেন এন্দ মেনেজিং দাইরেক্তর-থোকচোম হেমো শরুক য়াগনি।

এসিয়া পেসিফিক য়ুনিয়ন ফোর হাউজিং ফাইনান্স অমদি নেসনেল হাউজিং বেঙ্ক অনিনা খুৎশমদুনা পাঙথোকপা অন্টরজাতি থাক্কী ওইবা কনফরেন্স অসিদা মালেমগী মমিং লৈরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংগনি অমদি দিলিগেট কয়া শরুক য়াগনি।

**মীতিং ঃ** সংসদকী বজেট মীফমগী মাংওইননা ঙসি সরকারনা কৌবা রাজনিতি দল পুমমক্কী মীফম অমা পার্লিয়ামেন্ট হাউস এনেক্সিদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা সভাপতি ওইখি।

রাজ্য সভাগী লুচিংবা জে.পি. নদ্দা, কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ, পালিয়ামেন্টরি এফিয়ার্সকী রাজ্য মন্ত্রিশিং-অরজ্ন রাম মেঘাৱাল অমসুং ডা: এল. মুরুগল মীফমদুদা য়াওখি। কংগ্রেস লুচিংবা জয়রাম রামেশ, দি.এম.কেগী লুচিংবা টিরুচি শিব, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবী-সগারিকা ঘোস অমসুং সমাজৱাদি পার্টিগী এম.পি. রাম গোপাল যাদবনচিংবসু মীফমদু য়াওখি।

সংসদকী বজেট মীফম হয়েংদগী হৌরগা এপ্রিল অনি ফাওবা চথগনি। মরক্তা ব্রেক অমা লৈগনি। মীফমদু লোয়রবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না হায়-বজেট মীফম অসিগী অহানবা শরুক্তা রাস্ত্রপতিগী ভাসন থাগৎপগী মোসন অমা অমসুং তুংদা সভা অনিমক্তা বজেট খন্নগনি। শ্রী রিজিজ্না দল পুমমক্তা মীফম অসি অয়েৎ অপন

য়াওদনা পাঙথোকপদা মতেং পাংবীনবা আপিল তৌখি।

**জল শক্তিঃ** জল শক্তি মন্ত্রি-সি.আর. পাতিলনা হায়রি-লৈবাক শিনবা থুংবদা ঈশিং য়োকশিন্দুনা থমবগীদমক সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ৩২ খাক্তুনা থমলে। ন্যু দিল্লিদা ঙসি ৱাটর এন্দ ৱাস ৱারিয়রশিংগা ৱারী শান্নবদা শ্রী পাতিলনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

মন্ত্রিনা হায়-এম.জি-নরেগাগী অপুনবা ফন্দগী চাদা ৬৫ দি য়ামা লুবা নংত্রগা ঈশিং য়োকশিনবগী থবক ইতৌ তৌদ্রিবা মফম নংত্রগা ঈশিংগা মরী লৈনবা থবকশিংদা শিজিন্নগনি। তুরেল কন্দুনা থম্বগী মতাংদা শ্রী পাতিলনা হায়-নামামি গঙ্গে মীসনগী মখাদা চহি অসিদা পোলুসন এবেদমেন্ট প্রোজেক্ট ১৫ লোয়শিনখ্রে। মীসন অসিগী মখাদা প্রোজেক্ট তরুক পায়খৎতুনা উত্তর প্রদেসনা মাংজিল থারি। বিহারনা মরি অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলনা অহুম পায়খৎলি।

মন্ত্রিনা হায়-হৌজিক ফাওবদা ঈশিং য়োকশিন্দুনা থমবা মফম লাখ ৩৭ শাগৎপা লোয়রে। চহি অসিদা অসিগুম্বা মফম কোতি অমা শানবা পান্দম থল্লি।

**বোক্সিং ঃ** নোংচুপ বেঙ্গোলগী বালিগুঞ্জতা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া ওপন ইন্টরনেসনেল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা মনিপুরগী শান্নরোই অহুম অমদি ওফিসিএল অনিনা শরুক য়াখি। মদুদা, মনিপুরনা সনাগী তকমান অমা, শেঞ্জেংগী তকমান ফংল্লকখি হায়না ইন্টরনেসনেল স্পোর্ট কিক বোক্সিং এসোসিয়েসন-মনিপুরগী চেরোল অমনা হায়রি।

**ফুটবোল ঃ** ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা ঙসিদগী ১৬ শুবা লোক্তাক ত্রোফি ইনভাইটেস্নেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরমদা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবম শরুক য়াখি।

অহানবা মেটচতা-উৎলৌ এফ.সিনা অক্সা-ক্বাক্তাবু পাঞ্জল ২-০ দা

থোইখ্রে।

**ফূটবোলঃ** মঙাশুবা নোঙ্গ্রেন ত্রোফি মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা-ৱাই.দি.সি.এল. পুংদোংবমনা ৱাই.ৱাই.সি. য়ৌরবুংবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-ই.য়ু.এস.সি. তেলৌনা বি.এস.য়ু. ককচিংবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ-২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এন.এম.এস.এনা ইম্ফাল এফ.এবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এদল্টস এসোসিয়েসননা য়ুথ দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ৭-২ দা অমদি টিদিম রোড এঠলেটিক য়ুনিয়ননা ফুটবোল ক্লব-কুম্বীবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** হাউরৈবী নোর্দন স্তার ক্লব অমদি হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিনা শিনদুনা চথরিবা তরুকশুবা চন্দ্রনদি ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা-খুম্মন লৈবাক ময়াং ইম্ফালনা সনা এফ.সি. থৌবালবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-ককচিংনা শিনদুনা চথরিবা ১৯ শুবা দি.এস.এ. ত্রোফি চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এস.এফ.সি. সোরানা অক্সা-ককচিং খুনৌবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** তরুকশুবা ভিলেজ লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এম.পি.এ. থৌনাওজম অমদি থোংজাউ য়ুনিয়ন ক্লব

পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।